# মীখল মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ভোত ফঙনবগী থৌরাং তৌরিবা স্কিম কয়ামরুমদা বিল্লিয়ন কয়া চঙগদৌরিঃ রিপোর্ট



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১৮ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুরবা জেনরেল ইলেক্সন অমগীদমক অকনবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা মীখল মমাঙদা মহাক্না ভোত ফংনবগী থৌরাং তৌরিবা স্কিম কয়ামরুদা লূপা বিল্লিয়ন কয়া চঙ্গদৌরি। মসিদা অহেনবা খরচ তৌগদৌরিবা অয়াম্বা নৎত্রগা রেভিন্যুদা মাঙগদৌরিবশিং অদু লাক্কদৌরিবা মে থাদা পাংথোক্লবা য়ারিবা লোক সাভা মীখল মতূংদা থবক পুরগদৌরিবা গভর্ণমেন্ট অদুনা পোৎলূম পুহৌগদৌরিব্রা।

হিরম অসি হকথেঙননা খঙবা লিখুন অনীনা ফোঙদোকপদা খরচ তৌগদৌরিবা য়াম্লবা শেন্ফম অসিনা লৈবাকসিগী শেল-থুমগী মরুওইবা ইন্দিকেটর অমা ওইরিবা গভর্ণমেন্টকী বজেদ দিফিসিট হন্থহন্নবগী প্লানশিং থেঙথহল্লবা য়াই হায়রি।

লৌউ-শিংউ পোত্থোক্কী মমলশিং হন্থরকখিবা অদুগা পোত্থোক পুথোকপগী অচঙমন হেনগৎলকখিবা অদুদগী ইন্দিয়াগী খুঙ্গং লমদা অশাওবা পোক্লবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহি লোয়রমদাইদা মরুওইবা ষ্টেট ৩গী ইলেক্সনদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) মায়থিহৌখি।

ওপিনিয়ন পোলশিংগী মতূংইন্না লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অদুমক খ্বাইদগী মাংজিন থাবা ওইরি। অদুবু মতম অমদা কনামত্তনা মায়থিবা পীবা ঙমলরোইদবগুম লৈরম্বা অদুদি অচৌবা চৈফু অমা নঙখ্রে।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১দা পুথোক্কদৌরিবা ইন্টরিয়ম বজেত অমদা গভর্ণমেন্ট অসিনা ফার্মরশিংদা অয়াম্বা পান্দম থমদুনা মখোয়দা কানবা পীবা স্কিম কয়ামরুম হৌদোক্লবা য়ারি হায়না অনীমক গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং ওইবা লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক ফাওবদি অরোইবা ৱারেপমক লৌদ্রবসু পায়খৎকদৌরিবা খোঙথাংশিং অদুগী মনূংদা ফার্মশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা ফন্দশিং দাইরেক ট্রান্সফর তৌবা অমসুং মখোয়দা ইন্টরেষ্ট -ফ্রি লোনশিং পীবা য়াওরি।

মার্চ নৎত্রগা এপ্রিলদা পাংথোক্লবা য়ারিবা লোক সভা মীখলগী নুমিৎশিং অদু ইলেক্সন কমিসননা লেপত্রিঙৈগী মমাঙদা অনৌবা খোঙথাংশিং অসি লাওথোক্কদৌরি। ইলেক্সন কমিসননা মীখলগী মতম লাওথোকখ্রবা মতূংদগীদি মীখলদা শাফু পীবা য়াবা পোলিসিশিং অথিঙবা থমখ্রগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মত ফোঙদোক্লবা হংবদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা পাউখুম পীরকখিদে।

ফার্মরশিংনা ময়োক্লরিবা অৱাবা কোহন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক্লি হায়না বি জে পিগী ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই গোপাল কৃষ্ণন অগ্রৱালনা চয়োল অসিদা পাউগী এজেনসি রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট ইলেক্সনশিংদা মায়থিখিবশিং অদুগী মতূংদগী মোদি গভর্ণমেন্টনা জি এস টিগী মখাদা টেক্স পীবদগী অপীকপা ব্যুজিনেস কয়াবু কোমথোকহনখি অমসুং মীয়ান্না পার্সোনেল টেক্স পীবগী মথৌ তাবা শেঙ্গোক্কী চাংদা ৱাংখৎনবা খন্নরি।

জেনরেল কেটেগোরিগী মনূংদা শেল-থুমগী ফিভম শোত্থবশিংগীদমক হন্দক্তা গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখিবা চাদা ১০গী কোতা অদুগী মফম পীনবা কলেজশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা অনৌবা সিট হাপচিন্নবা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়া খরচ তৌনবসু থৌরাং তৌরি।

ফার্মরশিংদা ইন্টরেস ফ্রি লোনশিং অদু ষ্টেট বেঙ্কশিংনা পীগদবনি। শেনফম অদু গভর্ণমেন্টনা বেঙ্কশিংদা অমুক হঞ্জিনগদবনি। মদুদা চহি অমদা লূপা বিল্লিয়ন ১২০ চঙ্গনি হায়না গভর্ণমেন্ট লিখুনশিং অদুনা এজেন্সিদা হায়খি। হিরম অসিগী খন্ন-নৈনবশিং অদু মীয়ামদা ফোঙদোক্ত্রিবা মরমনা মখোয়না মশাগী মশক মমিং তাকউ য়াকিদে।

মখোয়না হায়, পার্সোনেল অমসুং কমর্সিয়েল টেক্স কন্সেসনশিং অদুনা লূপা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৫০ ফাওবগী রেভিন্যু মাংহনগনি। মসিদা লূপা বিল্লিয়ন ১৩০গী চহিগী রেভিন্যু মাংহনগদৌরিবা সিমেন্টতা লৌবা জি এস টিগী রেট চাদা ২৮দগী চাদা ১৮দা হন্থহনগদৌরিবা অদু য়াওরি।

অতোপ্পা খন্নরিবা অমনা শেল য়ান্না চঙবা ওইরগসু চপ চানা কান্নগদৌরিবা অমদি লমগী মপু ওইবা ফার্মরশিংদা হেক্টর অমদা লূপা ২,০০০-৪,০০০ পীবা অসিসু য়াওরি। মসি খক্তনা পূন্না লূপা ট্রিল্লিয়ন অমা হেন্না চঙ্গনি। করিগুম্বা মসি থবক্তা ওন্থোক্লবদি ইন্টরেষ্ট-ফ্রি লোনগুম্বা অতৈ স্কিমশিং অদু গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্তঃবা য়াই হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি।

লিখুন পল্লদুনা থা অসিগী অঙনবদা পাউগী এজেন্সি রোইটর্সনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না মার্চ থা ফাওবদা গভর্ণমেন্টতা লূপা বিল্লিয়ন ৪০০ ফাওবা দিভাইদেন্ট অমা পীরবা য়াই। অদুবু শেনফম অদুনদি খরচ তৌখিবশিং অদু মেনখৎপা ঙমগদবা য়ান্না ৱাৎলি।

# য়ু এসনা রাসিয়া, চিনাদগী কিহল্লকপশিং থেঙননবা অনৌবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লাওথোকখ্রে



*ৱাসিংটন, জনুৱারী ১৮ঃ*

ইন্দো পেসিফিক রিজনদা অমেরিকাবু লৌথোক্লবা হোৎনরিবা অমসুং মখোয়গী য়ূমলোন্নবশিংগা ঙমখৈগী মতাংদা খৎনরিবশিং অদুদা হেঞ্জিনবা খোঙথাং লৌখৎলিবা রাসিয়া অমসুং চিনানা পীরক্লিবা অকিবশিংগী শিংনবশিং অদু ময়োক্লবা ঙন্নবা পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনৌবা মিসাইল দিফেন্স পোলিসি অমা লাওথোকখ্রে।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা থাদোক্লকখিবা মিসাইল দিফেন্স রিভিয়ু কৌবা রিপোর্ট অদুদা পেন্টাগোননা হায়খি, রাসিয়া অমসুং চিনানা হৌজিক লৈরিবা দিফেন্স সিষ্টেমশিং অসি শীংনরিবা, করম্বা লম্বীদা পায়রক্কদগে হায়বা মাংজৌননা খঙবা ঙমদবা, অখন্ননা অয়াংবা স্পীদশিংদা পায়বা ঙম্বা হায়পরসোনিক মিসাইল অমসুং এদভান্স ক্রুজ মিসাইলশিংগী কেপেবিলিটিশিং পুথোক্লি। মসিগী ওইরক্লিবা শীংননীংঙাই ওইবা থৌদোকশিং অসি য়ু এস মিসাইল দিফেন্স পোলিটি, ষ্ট্রেটেজি অমসুং কেপেবিলিটিজনা শোয়দনমক কোকহন্দবা য়াদবা ফিভম অদুনি হায়না পেন্টাগোননা হায়খি।

রাসিয়া অমসুং চিনানা তোঙান তোঙানবা শীংনবশিং অমসুং মওং কয়াদা তোঙাল্লবসু অনীমক অসিনা মখোয়গী লৈরিবা মিসাইলস সিষ্টেমগী শক্তি হেনগৎহল্লি অমসুং থাক ৱাংলবা সমুদ্রা অমসুং নোংথক্তা কাপ্পা ক্রুজ মিসাইলশিং লোয়ননা হায়পরসোনিক কেপেবিনিলটিশিং পুথোকপগী থবক চত্থরি হায়না এক্টিং দিফেন্স সেক্রেটরি পেট্রিক সনাহাননা হায়খি।

চিনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ইন্দো পেসিফিক রিজনদা লৈহন্দনবা হোৎনরি। লৈবাক অসিনা অনৌবা রোদ-মোবাইল সিষ্টেম য়াওনা ৭৫-১০০ আই সি বি এম শিং দিপ্লোই তৌখ্রে। মখোয়গী ইন্টর কন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইলশিংগী অনৌবা মলটি-ৱারহেদ মোদল অমসু দিপ্লোই তৌখ্রে।

হৌজিক চিনানা ৱারহেদ ময়াম অমা শিজিনবা ঙম্বা খরা য়াওনা ন্যিক্লিয়ার মিসাইল ১২৫না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কিহল্লি। মখোয়গী ন্যিক্লিয়ার ফোর্সশিং লাক্লিবা চহি খরসিদা হেনগৎলকখিগদৌরি। মসিদা নৎতনা এম আর ভি অমসুং ঐচ জি ভি ( হায়পরসোনিক গ্লাইদ ভেহিকলস) শিংগুম্বা এদভান্স টেক্নোলোজিসসু ঙৈবজিংনা পুথোক্লি।

অদুগা রাসিয়াসু মখোয়গী ঙমখৈগী মপান্দা লৈবা টেরিটোরি পায়শিল্লি। মখোয়গী খোঙথাং অদুনা মরুওইনা অয়েৎপা ওইরিবসি য়ু এস অমসুং নেটোনি হায়না লৌরি। মখোয়না অমেরিকাগী ময়োক্তা সিল্যুলেটেদ ন্যুক্লিয়ার এটেকশিং য়াওবা এক্সরসাইজশিং চাং নাইনা পাংথোক্লি।

মোস্কোনা অনৌবা মখলগী মীসাইল অমা হায়পরসোনিক গ্লাইদ ভেহিকর (এচ জি বি) অমগী মপু ওইরে হায়না রাসিয়ান লূচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু এস, ইন্দিয়া মিসাইল দিফেন্স কোওপরেসনগী ৱারী শানরি



*ৱাসিংটন, জনুৱারী ১৮ঃ*

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা ইন্দিয়াগা তৌনবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অদু হেন্ন চেৎশিহন্ননবা মিসাইল দিফেন্স কোওপরেসন অমা ইন্দিয়াগা তৌন্নবা খন্নখ্রে হায়না পেন্টাগোন্না ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকাগী ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিদা ন্যু দিল্লিবু মরুওইবা মচাক অমনি হায়না পেন্টাগোননা লৌই। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাদোকখিবা লমাই ৮১ পানবা মিসাইল দিফেন্স রিভ্যয়ু অদুদা পেন্টাগোননা লাওথোক্লিবা ৱাফম অদু য়ু এসনা ফোঙনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়ানা রাসিয়াদগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৫গী এস ৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা ওর্দর তৌখিবা অদু য়েঙলগা য়াম্না শীংথানিঙাই ওইরি।

ওফেনসিফ মিসাইল কেপেবিলিটিশিংনা পীরক্লিবা অকিবশিং অসি মালেমগী অকোইবদা রিজন খরা খক্তদা ওইদ্রে হৌজিক্তি খা এসিয়াগী লৈবাক কয়ামরুমদা থাক ৱাংলবা মখল কয়াগী রেঞ্জগী বালিষ্টিক অমসুং ক্রুজ মিসাইল কেপেবিলিটিশিং থোক্লরি হায়না পেন্টাগোননা হায়খি।

ফিভম অসি য়েঙলগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্দিয়াগা তৌনবা য়াবা মিসাইল দিফেন্স কোওপরেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মেজর দিফেন্স পার্টনর অমা ওইনা অমসুং ঐখোয়গী ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিগী মরুওইবা মচাক ওইনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটস অসি মশানা তানা লাকচবনি হায়না ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা পেন্টাগোন রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

ইন্দো পেসিফিক রিজনদা য়ু এস সেক্যুরিটি অমসুং দিপ্লোমেসিগী মরুওইবা য়ুম্বীদি জপান সাউথ কোরিয়া অমসুং অষ্ট্রেলিয়াগা অকনবা এলায়েন্স তৌনরিবা অমসুং ইন্দিয়াগুম্বা অতৈ লৈবকশিংগা সেক্যুরিটিগী মরি থন্নবা হোৎনবা অসিনি হায়না মিসাইল দিফেন্স রিভিইউ রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়ু এস দিফেন্সশিংগা হেন্না তাথোক-তাসিন তৌনদুনা থবক চত্থবা য়াবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম শেমগৎনবা য়ু এসকা পূন্না থবক চত্থরি। মসিগী তেঙবাংনবা অসিদা য়ু এসকা পূন্না মিসাইল দিফেন্স ট্রেনিং এক্সরসাইজ পাংথোকপা য়াওরি।

য়ু এস অমসুং জপানগা মিসাইল দিপেন্সশিং খন্নবা অদুদা অষ্ট্রেলিয়াসু শরুক য়াখ্রে। য়ু এস অমসুং অষ্ট্রেলিয়ানা নাকন অনীগী মিসাইল দিফেন্স কোওপরেসন খন্ননবা চহি খুদিংগী উন্নৈ।

# রসিয়ান ফাইটর জেট ২ থেঙ্গাইনখ্রে


*মোস্কো, জনুৱারী ১৮ঃ*

রসিয়াগী এস য়ু-৩৪ ফাইটর জেট ২ ট্রেনিং ফ্লাইট অমগী মনূংদা সি ওফ জপানগী মথক্তা ঙসি ইরাই নুমিৎতা থেঙ্গাইনখ্রে। ক্রু অনীমক জেট শিং অদুদগী ইজেক্ট তৌহৌরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

রাসিয়াগী ফার ইষ্টতা সমুদ্র তোর্ব্বনাদগী কিলোমিটর ২৫ লাপ্পদা ট্রেনিং এক্সরসাইজ অমা চত্থরিঙৈ মনূংদা বোম্বরশিং অদু পায়রিঙৈগী নোংথক্তা থেঙনখিবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়াগী ন্যুজ এজেনসিশিংনা হায়খি।

লৈবাক অসিগী পেসিফিক ফ্লীটকী জহাজ কয়ামরুমগা লোয়ননা রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থদুনা পাইলোট ২ অদু কোন্না লৌখৎখি। ফাইটর জেট ২ অদু খূৎলাই অমত্তা পুখিদে।

# ইন্দিয়াদা লান লৈতে, অদুবু লান্মীশিংদি শিরিঃ মোহন ভগৱত



*নাগপুর, জনুৱারী ১৮ঃ*

লৈবাক অসিদা লান তৌনবগুম্বগী ফিভম অমা লৈতে অদুবু ঙমখৈদা লান্মীশিংদি অদুমক শিরি হায়না রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) চীফ মোহন ভগৱতনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা পূংজা অসিদা লান লৈতে অদুবু লান্মীশিংদি অদুমক শিরি। মসি ঐখোয়গী থবকশিং নিঙথিনা তৌদবা মরমদগীনি।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু ঐখোয়না চাওখৎহনবা পান্নবদি ঐখোয়না লৈবাক অসিগীদবক হিংবা তমগদবনি হায়না নাগপুরদা পাংথোকপা প্রহার সমাজ জাগ্রুতি সনস্থাগী সিলভর জুবিলি থৌরমদা মিষ্টর ভগৱদনা হায়খি।

করিগুম্বা লান অমা থোক্লবদি লৈবাক পূম্বা অসিনা মদু থেঙনবা মথৌ তাই। মসি ঐখোয়না কনাগুম্বা অমদা থিকা পীথোকপা য়াবা নৎতে।

গভর্ণমেন্টনা মদু তৌজখি নৎত্রগা আর্মিনা তৌখিনি হায়বা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অদু লৈনরি অদুবু অশেংবদি সোসাইটি পূম্বনা মদুগীদমক হোৎনবা তাবনি হায়খি।

# রাজস্থানদা স্বাইন ফ্লু নাবদগী ৪০ শিখ্রে

*জয়পুর, জনুৱারী ১৮ঃ*

রাজস্থানদা স্বাইন ফ্লু নাবদগী জনুৱারি থাদা মী ৪০ শিখ্রে অমসুং ১,০০০ হেন্না স্বাইন ফ্লু পোজিটিব ওইবা থেঙনরে হায়না ওথোরিটিজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহিদা এ ঐচ ১, এন১, ভাইরসনা ইন্দিয়াদা মীওই ১,১০০রোম হাৎখি অমসুং মীওই ১৫,০০০ নাখি।

রাজস্থান অমসুং ন্যু দিল্লি য়াওনা লৈবাকসিগী নোংচুপ অমসুং অৱাংদা দিসেম্বর অমসুং জনুৱারিগী নিংথম থাদা স্বাইন ফ্লু নাবগী চাং হেনগৎলকখি।

রাজস্থানদা ডাক্তরশিং ছুটি লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা পার্মিসন শোয়দনমক লৌনবা ওথোরিটিজনা খঙহনখ্রে।

অনাবশিং খঙদোক্লবা য়ূমথোঙ খুদিংগী কেম্পেন পাংথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে। হেল্ঠ ওফিসেলশিংনা এৱায়ারনেস কেম্পেন চত্থখ্রে অমসুং মীওই ৫,১০০ হেন্না য়েঙশিনখ্রে।

রাজস্থাদা জনুৱারী ১দগী ১৭ ফাওবদা লায়না অসি নাবা মীওই ৪০ শিখ্রে। ঙরাং ইরাই নুমিৎতা মীওই অমা শিখি হায়না ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। জোধপুর দিষ্ট্রিক্টনা মী ১৬ শিখিবনা খ্বাইদগী হেন্না শিবা ওইখি।

চয়োল অসিদা দিল্লিদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহসু স্বাইন ফ্লু নাদুনা মহাক্না লায়না অসি নাবা হায় প্রোফাইল ভিক্তিম অমা ওইখ্রে। মহাক ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এন এস)তা পুখৎতুনা লায়েঙখ্রে।

# ঔরঙ্গজেবকুম রাহুল গান্ধী মাগী সুল্টানেটকী অরোইবা ইম্পেররনি ঃ বি জে পি লিদর



*জয়পুর, জনুৱারী ১৮ঃ*

কোংগ্রেস ইম্পায়রগী অরোইবা অদু লাক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা রাজস্থান বি জে পি ভাইস প্রসিদেন্ট গঞ্জান দেব অহুজনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু মুগল ইম্পেরর ঔরঙ্গজেবকা চাংদন্নখ্রে।

ঔরঙ্গজেবকা চপ মান্ননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিসু কোংগ্রেস সুলতানেটকী অরোইবা ইম্পেরর অদুনি মুগল সুল্টনেটকী অরোইবা ইম্পরর অদু ঔরঙ্গজেবনা ওইবা অদুন্ন রাহুল গান্ধীনা সুল্টনেট অসিগী অরোইবা ইম্পেররনি। কোংগ্রেসকী অরোইবা মতম অদু শোয়দ্রবনি হায়না অহুজানা পাউমীশিংদা হায়খি।

অদুবু বি জে পি লূচীংবা অসিনা হায়রিবা অদুগী ওন্নতৈনবদা ১৭০৭দা শিখিবা ঔরঙ্গজেবনা মাগী দাইনেষ্টিগী অরোইবা অদু ওইখিদে। অরোইবা মুগল রুল্লরদি ১৮৬২দা শিখিবা বহাদুর শাহ জাফরনি।

ঔরঙ্গজেবকী মনূংদা মোগল ইম্পয়র মচেৎ তানা কায়খিবা অদুদা মহাকপু মুগল নিংথৌশিংগী অরোইবদু ওইনা অয়াম্বনা খন্নখিবনি।

হিন্দু লাইনীংগী অশেঙবা লিক শিরিবা হিন্দু অমনি হায়না রাহুল গান্দীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুসু মিষ্টর অহুজানা ৱাহং হংখি। অশেঙবা লিক শিবগী লাইগী থৌরম পাংথোকখিবা পুরোহিদ অদুগী মমিং মাগী পার্টিনা পীগদবনি হায়খি। ষণ হাৎপশিংবু টেরোরিষ্টশিংগা মানহন্দুনা মিষ্টর অহুজানা চয়েৎনবা ৱাথোক অদু থোকহনখি।

বহুজন সমাজ পার্টিগী মীরেপ লক্ষমন সিংহ শিখিবদগী মীখল য়েথোকখিবা রামগর এসেমব্লি সিটকী বাই ইলেক্সন অদু বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা থাদা পাংথোকখিবা রাজস্থান এসেমব্লি মীখলদা লেমহৌরিবা সিট ১৯৯গী মনূংদা কোংগ্রেসনা সিট ৯৯ ফঙখিবনি।

রামগরগী বায় ইলেক্সন অসি জনুৱারি ২৮দা পাংথোক্কনি। হৌখিবা এসেমব্লিদা মিষ্টর অহুজা রাগরগী এম এল এ অমনি। মঙোন্দা পার্টিনা টিকেট পীদবদগী দিসেম্বর মীখলদা মহাক ইন্দিপেন্দেট মীরেপ ওইখি। কোন্না মাগী নোমিনেসন লৌথোকখি।

# রাজস্থান এসেমব্লিদা নুপীগী চাদা ৩৩ রিজার্ব থমগদৌরি

*জয়পুর, জনুৱারী ১৮ঃ*

রাজস্থান এসেমব্লিদা নুপীগী চাদা ৩৩ রিজার্বেসন থন্ননবা ৱারেপ পাস তৌনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেট ৫দা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা ৱারেপ অদু পাস তৌবা পাম্মী হায়না এসেমব্লি মপান্দা পাউমীশিংদা গেহলোতনা হায়খি।

হান্নগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা পালিয়ামেন্ট অমসুং লেজিসলেটিফ এসেমব্লিশিংদা নুপীগী রিজার্ব থন্নবা কন্না হোৎনরমখি । কোনথঙদা লোক সভানা বিল অদু পাস তৌখ্রে অদুবু রাজ্য সভাদা পন্দুনা লৈরি।


# কোঙ্গ্রেস এম এল এ রিজাইন তৌখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জনুৱারী ১৮ঃ*

পাটিগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক ওরিশ্যা প্রদেস কোঙ্গ্রেস কমিটি (ও পি সি সি)না সস্পেন তৌখ্রবা এম এল এ জোগেস সিংহনা পার্টিদগী তোকখ্রে অমসুং এম এল এ ওইবদগীসু তোকখ্রে।

মহাক্না এম এল এ ওইবদগী তোকখিবা অসি অতোপ্পা এম এল এ নবকিসোর দাসনা পার্টিদগী তোকখিবা অমসুং লৈঙাক পায়রিবা বিজু জনতা দল ( বি জে দি)দা য়াওখিবা অদুগী নুমিৎ নীনি মতুংদনি। ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ফবা চীফ মিনিষ্টরগী রেঙ্ক ফঙলিবা নবিন পাতনয়ক থাগৎপবু করন্না পার্টিগী ময়োক্তা থবক তৌবা ওইগদৌরিবনো হায়বদু ঐ খঙবা ঙমদে হায়না জোগেস সিংহনা হায়খি। লাক্লিবা থা খরগী মনূংদা ওরিশ্যা এসেমব্লিগী মীখল লোক সভা মীখলগা মতম অমত্তদা পাংথোক্কদৌরিবনি।

# ‘হাল’গী লাইট কম্বেট হেলিকোপ্টরগী খুৎলাই চাংয়েংশিং মায়পাক্না পাংথোকখ্রে




*বেঙ্গলুরু, জনুৱারী ১৮ঃ*

গভর্ণমেন্টকী হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐস এ এল)না পুথোকপা লাইট কম্বেট হেলিকোপ্টর (এল সি ঐচ)না খূৎলাইগী চাংয়েঙশিং মপূং ফানা মায়পাক্না পাংথোকখ্রে লোয়ননা থবক্তা শিজিননবগী হাচিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

এল সি ঐচনা অপাইবা টার্গেট অমদা নোংথক্তগী নোংথক্তা মীসাইল কাপ্পুনা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক অমা পাংথোকপা ঙমখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ঐচ এ এল (হাল)না হায়খি।

খূৎলাইগী চাংয়েঙশিং অদু ওরিশ্যাগী সমুদ্র তোর্ব্বানদা চান্দিপুরদা লৈবা টেষ্ট রেঞ্জদা টেষ্ট পাইলোট ৱিঙ কমান্দর (রিটয়ার) সুভাস পি জোন, হালগী ফ্লাইট টেষ্ট ইঞ্জিনিয়ার কর্নেল রঞ্জিত চিতালে (রিটয়ার) অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী টেষ্ট পাইলোট গ্রুপ কেপ্টেন রজিব দুবেনা হন্দক্তা পাংথোকখিবনি।

টেষ্টশিং অদুদা নোংথক্তা অপাইবা টার্গেট অদুদা চপচানা পানখি অমসুং টার্গেট অদু মপূং ফানা থুগাইদুনা মাং-তাকহনখি হায়দুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

হেলিকোপ্টর অমনা এয়ার-টু-এয়ার মিসাইল এঞ্জেজমেন্ট পাংথোকপা অসি লৈবাক অসিদা অহানবনি হায়না হালগী চিয়ারমেন অমসুং মেনিজিং দাইরেক্তর আর মাধবননা হায়খি।

২০১৮দা এল সি ঐচকী ২০ এম এম টুরেদ গন অমসুং ৭০ এম এম রোকেটশিংগী চাংয়েং পাংথোকখ্রে।

# প্রসিদেন্ট এদভাইজরি কমিটিদা ট্রপনা প্রেম পরমেশ্বরন হাপ্লবা য়ারি

*ৱাসিংটন, জনুৱারী ১৮ঃ*

মরুওইরবা প্রসিদেন্সিয়েল এদভাইজরি কমিটিদা শরুক্লাইরবা ইন্দিয়ান অমেরিকান ফাইনান্সিয়েল এক্সপার্ট প্রেম পরমেশ্বরনবু য়ু এস প্রসিদেন্ট দেনাল্ড ট্রম্পনা হাপ্পা পাম্বগী অনীংবা ফোঙদোকখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়খ্রে।

এসিয়ান অমেরিকানস এন্দ পেসিফিক আইলেন্দরসকী মতাংদা প্রেসিদেন্ট এদভাইজরি কমিটিদা ট্রম্পনা হাপ্পা পাল্লিবা মেম্বর ১২গী মনূংদা মিষ্টর পরমেশ্বরন (৫০)না অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ান অমেরিকাননি।




ন্যু য়োক্তা লৈবা মিষ্টর প্রমেশ্বরন ইরোজ ইন্টরনেসনেলগী নোর্থ অমেরিকা ওপরেসন্সকী গ্রুপ চীফ ফাইনান্সিয়েল অমসুং প্রসিদেন্টনি।

হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা প্রসিদেন্টকী এদভাইজরি কমিটিদা ব্যুজনেস হেল্ঠ, য়ুনিভর্সিটি, ননপ্রোফিদ ওর্গনাইজেসন, গভর্ণমেন্ট অমসুং অতৈ কয়া য়াওনা ইন্দষ্ট্রিশিংদগী লূচীংবশিং য়াওহনবগী মওং অসি হৌদোক্লমখিবনি।

কমিস্নারশিং অসিনা হেল্ঠ, এদুকেসন অমসুং এসিয়ান অমেরিকানশিং লোয়ননা পেসিফিক আইলেন্দরশিংগী ইকোনোমিক ষ্টেটস ফগৎহন্ননবা ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী এজেন্সি পূন্নমক্কা থবক তৌমিন্নগনি।

# ট্রম্পকী পাউতাক্তগী ওনলাইন পোলশিং রিগ তৌখিঃ কোহেন



*ৱাসিংটন, জনুৱারী ১৮ঃ*

ট্রম্পকী পাউতাক্তা অমসুং সুপ্পগী মহাক্কী কান্ননবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী হান্নগী লোয়র মায়কেল কোহেননা ওনলাইন পোলিং দাটা শেমদোক্লবা ফার্ম অমদা পৈশা পীজখি হায়না মহাক্না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

২০১৬ প্রসিদেন্সিয়েল কেম্পেন মাংওইননা ট্রম্পকী ফননবা পব্লিক ওপিনিয়ন পোল ২ মেনিপুলেট তৌননবা রেদফিঞ্চ সোলুসন্স কৌবা দাটা ফার্মদা কোহেননা শেন পীখি হায়না ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলনা হায়খি।

মীখলগী কেম্পেন চত্থরকপদা ট্রম্পনা মাগী কেন্দিদেন্সি ফঙহনবা ঙন্নবা মহাক্না য়ান্না তোয়না মাগী পোলিং নম্বরশিং পনখি। ট্রম্পকী ২০১৬ কেম্পেন তেঙবাংনবা নুপীশিংদা আইননা য়াদবা শেল পীখিবা অমসুং রসিয়াদা পাংথোক্লবা হৌদোক্লবা ট্রম্প টৱার প্রোজেক্ট অমগী মরমদা কোংগ্রেসতা মীনম্বগীদমক কোহেনবু হৌখিবা থাদা চহি ৩ জেলগী চৈরাক পীখি।

রিপব্লিকান কেন্দিদেট ওইরকপা য়াবশিংগী মতাংদা ফেব্রুৱারি ২০১৫ কি দ্রজ রিপোর্ট পোল অমদা ট্রম্পকীদমক হন্না হন্না ভোত পিনবা কমপ্যুটর স্ক্রিপ অমা ইন্নবা রেদফিঞ্চ সোলূসন্স চল্লাইরিবা জোন গেগরবু কোহেন্না শিন্নখি হায়না ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলনা হায়খি। দ্রজ রিপোর্ট পোল অপূনবা ভোতকী চাদা ৫ নৎত্রগা ভোত ২৪,০০০ ফঙদুনা ট্রম্পনা ৫শুবা তাখি।

লৈবাকসিগী মকোক থোঙবা ব্যুজিনেস লিদরশিং খন্নবগীদমক ২০১৪ সি এন বি সি ওনলাইন পোল অমগীদমকসু মাইকেল কোহেননা জোন গেগরবু চপ মানবা মওংদা থবক শিন্নখি। অদুবু ট্রম্পনা মকোক থোঙবা কেন্দিদেট ১০০গী মনূংদা চনবা ঙমখিদে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-18**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 4 | 7 | 1 | | | | |
| 1 | 2 | | | | 8 | | 3 | |
| 3 | | | 2 | | | 1 | | 6 |
| | 1 | | 9 | 6 | | | | 3 |
| 6 | 4 | | | | 1 | 2 | | |
| 9 | | 3 | 4 | | | | 1 | |
| 2 | | 6 | | 4 | | | | 1 |
| | | 1 | | | 6 | 3 | 4 | |
| 4 | | | | 3 | | 9 | | |

সনা-সুদোকু -১৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 8 | 6 | 9 | 3 | 7 | 2 | 1 |
| 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 5 | 4 | 9 | 8 |
| 9 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 |
| 1 | 3 | 5 | 4 | 6 | 9 | 2 | 8 | 7 |
| 2 | 9 | 4 | 8 | 1 | 7 | 3 | 6 | 5 |
| 7 | 8 | 6 | 5 | 3 | 2 | 9 | 1 | 4 |
| 4 | 2 | 9 | 7 | 5 | 1 | 8 | 3 | 6 |
| 3 | 6 | 1 | 9 | 8 | 4 | 5 | 7 | 2 |
| 8 | 5 | 7 | 3 | 2 | 6 | 1 | 4 | 9 |

## GAS TODAY

**Canchi Indane Gas**
Booking : 03/12/18
Valid : 24/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 08/12/18
Valid : 06/12/18
Stk : 306

**Porompat Gas**
Booking : 05/12/18
Valid : 19/11/18
Stk : 247
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 27/11/18
Valid : 12/11/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 18/11/18
Valid : 05/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane (Rs. 810.50**
Booking : 31/12/18
Valid : 24/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**J Rongmei Gas, Wangoi**
Sl. No. : 28051 to 28380
Stk : 360
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 17/11/18
Valid : 07/11/18
Stk : 612
Time : 09.30 to 12. noon